# ফুদিৎতা মাঙজোং চোংবা
## তারক্তুবা ওইসনু, হোৎনৌ হোৎনৌ

পোলিটিকেল পার্টি অমগী ওইগেরা, অমগী ওইগেরা, পার্টি অমগী মহুৎ শিন্দবা ইন্দিপেন্দেন্টবু ওইগেরা এম এল এশিংনা লৈঙাক শেম্নীংবা হায়বসিদি হৌনবনি। চৎনরিবা দেমোক্রেসিনি হায়রিবা লৈঙাক্লোনসিগী মচৎনি। মরম অসিনা মপূন্সি লৈরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু 'সস্পেন্দেদ এনিমেশন' দা থল্লগা 'প্রসিদেন্টস রুল' চৎনহল্লকপদবু মখোয়দৌ শীক্তুনা মখূৎ-মশা প্রোক-প্রোক থেক্লল্লোইদবা এম এল এ য়াওরমখিদ্রা? হায়বদি লৈজবা পাঙ্গল লৌশিং অমসুং থৌনা য়াওনা করি-করিনো ভোটর মীয়াম্বু হুমদুনা পুবা য়াগদবা কোকথোং অমা থাদরগা ওইরকখিবা এম এল এসিবু নুঙগী 'মুর্ত্তি' দৌনা খিন্দুনা লৈনবরা হায়বনিদা? এম এল এ ৫ খক্তমক লৈবগী মথক্তা ওপোজিশনসু ওইরিবশিংসু অদুমঙাইনে। লৈঙাক শেম্বদা তঙাইফদনা চঙবা মশীং শুবা ঙল্লোই, শুরক্নবগী মমি তমদবদগী 'অঙ্গুর শিল্পি' হায়দুনা লৈবগী ৱানি। ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫গী নুংথিল ফাওবদা লৈরমখিবা লৈঙাক্তুদা য়াওশিনখিবা এন পি এফ, শৌগৎলম্বদগী তোক্লে হায়রবা ফাওবদা লৈঙাক্তু লুচিংলম্বা পার্টিগী মনম শুৎ-শুৎ নমদুনা ইন্নরিবা ইন্দিপেন্দেন্টশিং য়াওনা এম এল এশিংদুনা ওপোজিশন ওইরক্লিবা পার্টিসিগা খুজেং পালোইননা চৎমিন্নরগনি হায়রক্লবদি খুদক্তা ঈৱাই-ঈনিল খংৱাং ৱাংখৎলক্কনি। লৈঙাক্তু লুচিংলম্বা পার্টিগী এম এল এ ৩৭, আ:... দেল্লীদা লৈবা য়াওনা মখোয়গী পার্টিগী থৌপুবশিংদগীনা লুচিংবশিং ফাওবা ইপাই-থিবাই তৌরকপা য়াওরক্কনি। কোকচাওবী কাদুনা লৱাই লেম্ফুদা খামেন অশিনবা থুগাইরগা থোম্বা য়াওনরক্কদোইনি। হায়বদি লৈজবা পূম্নমক পুথোক্লগা ওইরকপা মীহুৎপু 'নঙগী অয়েকপা শক্তম নুংশি খঙবা হৌনদে' হায়বদুগুম্না লৈনবা ওইরমগদ্রো? মশা-মশাগী পার্টিগী মায়কৈদগী লৈঙাক শেমদুনা পায়বা য়ারগা য়ারে, য়াদ্রগা অতোপ্পা পার্টিগী মীহুৎশিংগা চুংশিন-তাশিন্নরগা শেম্নরক্লিবনি। মনুংদা নৎত্রবসু মপান্দগী ফাওবা শৌগৎনহল্লিবনি। লৈঙাক শেম্নবগী মথৌ তাবা মশীং হেন্দোক-থোইদোক্না লৈরবা ফাওবদা অমুক্কসু অথোম্নবা অতোপ্পা পার্টিদগী খোমজিন্দুনা য়োৎশিন্নরিবনি। হৌজিক 'শ্বর' শৎতোক্লগা থল্লক্লিবা ১২শুবা এসেমব্লিসিদা জে দি -য়ুগী এম এল এ ৬ লৈরম্বা নৎত্রো? মখোয় ৬কী মনুংদগী মঙাবু ফিজোল হোংদোকহন্দুনা কোনশিল্লগা ৩৭ শুহনখিবনি। হৌজিকসু ওইজ-ওইথকপু ফংগনি হায়রবদি 'এন্টি দিফেক্সন লো' গী থৌরবা থাঙশাংগা হাইবদুনা কোন্না-কোন্নগী থোকউ-থোকউবা হায়বদুনি হায়দুনা নাচুংদনা নাথৈরম্লগা মফি তাকখৎনদুনা ফন-ফা, ফন-ফা চোংথোক-চোংশিন তৌনরক্কদোইনি। তম্বা ঙম্বজাৎ নত্তে।

হায়বদি লৈঙাক শেম্বদা, লৈঙাক্তা য়াওনবা হোৎনবদা ওইথোক্তবা থৌদোক অমত্তা লৈতে হায়বনি। অদুবু হৌজিক মমাঙগী লৈঙাক লুচিংলম্বা পার্টিগী এম এল এ খরনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্লনি, শেমহল্লক্লনি হায়দুনা খোইরেল মসা পানখৎনদুনা খা-ৱাং থুংনবা চেনখৎলক্লিবসি'বু ওইথোক্কদ্রা হায়বনি। অউপ্পা উনা ফাওবা লোংথোক্লগা পাম্বে থিদুনা হোৎনরক্লিবসিদা ৱাহংসি হংলুবদা হরাওগদবা মান্দে। পাউখুম পীনবা মচিন লেংলকপগী মহুক্তা মমিৎ-মনাগা শংদোক-লাউথোক্তুনা খানা য়েংলকপা শোয়দ্রবনি। হায়সু হায়বনি, মীয়াম্না খঞ্জবা মখোয়গী মীহুৎশিং লেম পানা লৈনা-লৈনা লৈঙাক শেমহন্দুনা পায়হন্দবা হায়বসিদি চুমদে। মপু অমদি লৈতবা য়াদবনিনা কন্সটিট্যুশননসু অয়াবা পীবনিনা 'প্রসিদেন্টস রুল' গী লৈঙাক লৈহল্লকপগী ৱানি। মীহুৎশিং লৈতবদগী শরক শিবা তাঞ্জাসু নত্তনা এম এল এশিংবু মখোঙ মখূৎ ক্রক-ক্রক লাকশিন্দুনা পুল্লগা থম্বগী থৌওংদি চুমদে। মখোয়বু থাগৎলক্লিবা মীয়ামগী অপাম্বসু নত্তে। মরম অসিনা অনৌবা লৈঙাক শেমহল্লু লাউরকপা খোল্লাওসিদা মীয়াম অমসুং মখোয়গী লূপশিংসু য়াওশিনবা হৌরক্লিবনি। হান্নগীদুদি লৌবুক-লম্মাঙ, চীংয়া-তময়া পূম্নমক ঈনা লৌখোং চেল্লবসু ৱাশকপদগী হেন্না শম্না অমগী চাংদা ফাওবা মীয়ামগী ঈহুল খঙনা করিগুম্বা অমত্তা তৌজবা ঙমজখিদবদগী হুমুক খাদুনা তরেৎনি চফম হন্নরবনিনা কনা-কনানো খরা শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌরগা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বদি য়াম্না ফৈ, চুম্মীনা। তৌবতবু লৈঙাক শেম্বগীদি এম এল এ খরনা খূৎয়েক পীদুনা দেল্লীগী লুচিংবশিংদা অইবা চেরোল পীশিল্লুবনা য়ারোই। এম এল এ ১০না গভর্ণরদা তকশিল্লুবনসু কান্নরোই। 'ঐখোয় ৪৪ শুরে' হায়বদুনসু হেক্তা শেমহল্লক্লোই। ৱাফমসি চেন-চোংদুনা তকশিল্লক্লিবা, হোৎনরক্লিবা এম এল এশিংনবু থোইদোক হেন্দোক্লা খঙলম্লগনি। তৌদবা য়ারক্তবদগী তৌরকপা শোয়দনা ওইরমগনি। খুদোম্বী থিন্দনা তাক্লবগী তঙাইফদবা লৈরোই খল্লি। তৌসনু, হোৎনসনু। তক্ল-তক্লগা নুঙদসু ময়েং তারকই হায়বা চুমখ্রবা ৱাফম লৈরিবনি। মসিগী মথক্তা নীংবু নীংলবদি থোক-অবা'মা লাকই হায়বসু লৈ। অদুবু মমাঙগী লৈঙাক্তু করিগীদমক তোকহঞ্জখ্রিবনো অদুগা 'প্রসিদেন্টস রুল' থল্লকখ্রিবনা করিগীনো হায়বসিগী মরমশিং মূন্না খন্থহন্নীংই। লুচিংহল্লম্বদুনা হৈত্রে, খঙদ্রে অমসুং শলাক শাহল্লে হায়দুনা রিজাইন তৌহল্লবসু হৌজিক থা ৪ ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা লৈঙাক অমা শেম্বগী মতাংদবু শেল অতোনবা থৌবদৌনা কোইতান-তান্নহল্লিবা করিগীনো হায়বদুসু খঙদি খঙলম্ববুদি য়ারে। খরগা মমুৎ তানা খঙজিনহন্নীংই হায়বনি। মরম য়াম্মী। চীংমী-তম্মী পোৎ লান্নবা থৌরমদৌনা হরাও হরাও লুকমাইদা হাপ্পা অথেনপোৎকুম্নদি পীরক্লোই। 'থম্বাল হেক্কে নীংলগা তিঙ্খং কিদুনা হনগদ্রা' হায়দুনা ওনশিল্লগা হংজদুনা মরীল ফুদোকপা ঙম্বা য়াওব্রো? মসি নৎত্রদি ফুদিৎতা মাঙজোং চোংবগী থৌদৌদি তাহন্নীংদে হায়বীবনিদা!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'
## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৫৫৪)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

কোরৌ খোংজোমনুপী খোইনৌ মতা ৬মকনা। চীঙঙু মফমলেল পনতাল লম। ললহাং লমদম মপুংয়াইদা। হুয়েল লালদা খৌশাবনে। ললহাং খুললেল য়াই। থিংকারুক য়াংকুরুক মফম মশাইকোল ও। মিংথোল মিংকৌনখিবদি। করি তৌখিবা নুমিৎতগীনো। ময়ুম লোইবী চীঙমী মরেম হাওনা। হাওরা য়ুম য়ুমশা কৈশাদা লিপুনবা য়াইলি। অশাংবা লিবু ময়ুম (মচু শংবা শিজননবা পামবী) মচু অমুবা শংনা খোইপাকশানা লোন। ৱাংকোলবু কৈরোইবনা। লোইপোৎ ওইনা লোইকারমমে। অদু নুমিৎতগী। থিংকারুক য়াংকোক মসাইকোল ও। মিংথোল মিংকৌয়ে। তারেম পুঙ অঙাই পুঙ ও। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'
## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯵꯴)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯛꯄꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯖꯔꯒꯅꯤ꯫꯫)

ꯀꯣꯔꯧ ꯈꯣꯡꯖꯣꯝꯅꯨꯄꯤ ꯈꯣꯏꯅꯧ ꯃꯇꯥ ꯶ꯃꯀꯅꯥ꯫꯫ ꯆꯤꯡꯉꯨ ꯃꯐꯝꯃꯂꯦꯜ ꯄꯟꯇꯥꯜ ꯂꯝ꯫꯫ ꯂꯜꯍꯥꯡ ꯂꯝꯗꯝ ꯃꯄꯨꯡꯉꯥꯏꯗꯥ꯫꯫ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯈꯧꯁꯥꯕꯅꯦ꯫꯫ ꯂꯜꯍꯥꯡ ꯈꯨꯜꯂꯦꯜ ꯌꯥꯏ꯫꯫ ꯊꯤꯡꯀꯥꯔꯨꯛ ꯌꯥꯡꯀꯨꯔꯨꯛ ꯃꯐꯝ ꯃꯁꯥꯏꯀꯣꯜ ꯑꯣ꯫꯫ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯅꯈꯤꯕꯗꯤ꯫꯫ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯈꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯅꯣ꯫꯫ ꯃꯌꯨꯝ ꯂꯣꯏꯕꯤ ꯆꯤꯡꯉꯃꯤ ꯃꯔꯦꯝ ꯍꯥꯎꯅꯥ꯫꯫ ꯍꯥꯎꯔꯥ ꯌꯨꯝ ꯌꯨꯝꯁꯥ ꯀꯩꯁꯥꯗꯥ ꯂꯤꯄꯨꯟꯕꯥ ꯌꯥꯏꯍꯦꯂꯤ꯫꯫ ꯑꯁꯥꯡꯕꯥ ꯂꯤꯕꯨ ꯃꯌꯨꯝ (ꯃꯆꯨ ꯁꯪꯕꯥ ꯁꯤꯖꯟꯅꯕꯥ ꯄꯥꯃꯕꯤ) ꯃꯆꯨ ꯑꯃꯨꯕꯥ ꯁꯪꯅꯥ ꯈꯣꯏꯄꯥꯀꯁꯥꯅꯥ ꯂꯣꯟ꯫꯫ ꯋꯥꯡꯀꯣꯜꯕꯨ ꯀꯩꯔꯣꯏꯕꯅꯥ꯫꯫ ꯂꯣꯏꯄꯣꯠ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯂꯣꯏꯀꯥꯔꯃꯃꯦ꯫꯫ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤ꯫꯫ ꯊꯤꯡꯀꯥꯔꯨꯛ ꯌꯥꯡꯀꯣꯛ ꯃꯁꯥꯏꯀꯣꯜ ꯑꯣ꯫꯫ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫꯫ ꯇꯥꯔꯦꯝ ꯄꯨꯡ ꯑꯉꯥꯏ ꯄꯨꯡ ꯑꯣ꯫꯫ ●

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২২২ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)



চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

খল্লুরগা য়াম্না কিসু কিরকপা অদুগা নোক্লিংবা ৱারী-থৌদোক অমত্তং নীংশিংবৈ থোঙনাও হাংজরক্কে। মতমদু নিংথমথাগী তর-র চিংশিনবা, য়াম্না ঈংবা মতমনি। ঐনা নীংশিংবদা চাওরাক্লা কুমজা ১৯৮৩ অদুৱাইগী দিসেম্বর থা ওইগনি। ঐখোয় মতমদুদা মিনি বস হায়বা মপাঙ্গল য়াম্না শোনবা বস পিকনাও অমা লৈরম্মী। মদুদা ঐখোয় রিজার্ভ তৌরগা চৎপনি। ঐদি ফি অরুম্বা পুদে। হিরো শারিবনি হায়দুনা মীনা খরা খঙনবা হৌরকপদুদা লীলাগী ফি ময়োম চাউনগা য়োম্মগা পুবদু করিগীনো মথোং মরম খঙদনা ইকায়বা অমা য়াওখি। অদুনা ফি অরুম্বা পুদে। মতমদুদা ঐনা পুখিবা হায়ববু হাওফি অমখক্লি। অদুদি ময়োম চাউদে। অদুগা অমনা হাওফি ইনবসি মতমদুদা য়াম্না চৎনৈ। পাখঙ অমনা নুমিদাংৱাইরম কোইবদা হরাও কুম্মৈ য়েংবা চৎপদা ময়েক থোকপা হাওফি অমগা ইল্লবদি অমুক্তোইবা পোজ তারে, ফজরে হায়না খন্নবা মতমনি। ঐনা ইল্লিবদু শামতু লংনা শাবা হাওফি ময়েক থোকপীনি। অরোনবদি নত্তে, য়োংখমদা মীতৈ ইমা ইবেলশিংনা শাবনি।

নীংশিংজনীংবা অমনা মতমদুদা য়ূমথোঙ খুদিংগী ফিশাকোন লৈনৈ। মদুদা মখল কয়াগী ফিরোল শানৈ। মোম্পাক-ফিদক, টেবল-ফিদা, থোঙগী পরদা, থোঙনাওগী পরদা, মখল কয়াগী খুদৈ। মতমদুদা য়াম্না মমিং চৎপা খুদৈ ময়াম্না খঙনখিবা অমত্তং হায়জগে। থাংজিং মপানগী খুদৈ মচু তাবা অমা শেৎলবদি মশা নানবা চিংনরম্মীবনি। খুদৈ শেৎপসে য়াম্না লেম্নৈ। য়ূম অমদা নুপা মশীংগী মতুংইন্না খুদৈ মশীং ফনা য়াম্না লৈনৈ। ইরু খুদৈ (ইতুম ফি) ফিরেল খুদৈ (য়ূমদা নান্না মী-পোং লাকপদা শেৎনবা), নুপীগী শেৎন-ইন্নবা মখল কয়াগী ফিরোল। ফি শাবতদা ইরায় লায়না ইমুং পুনরম্মী। ঙসিদি য়ূমথোঙ খুদিং ফি শাবগী থবকসি কয়া তৌনদ্রে। মায়কৈ-মায়কৈগী ওইনা খুল খরা-খরদদি ফি শানরি। ইম্ফালগী অকোয়বদদি ফি শানদ্রে। নুপা পাখঙ ইনখৎলকপা অমত্তনা খুদৈ শেৎপা হৈত্রে। অদুনা হাওফি হায়বসিসু য়াম্না কম্মন ওইরম্বদু ওইখিদরে।

নুমিৎতুগী লিলাদু ঐ নীংশিংই ককচীং খুনৌগী মফম অমদা শান্নবনি। লীলাদু লোইরে। ঐখোয় চাক চারে। অহিং লেক্কদৌরিনি। মমাঙগী ইস্যুশিংদসু হায়জখ্রে। আর্মিনা শৌ শাখৈ লৈবনা অহিংদা চৎপসি খুদোং য়াম্না থিনীংঙাই ওই। অদুনা শঙ্গোয় খরা চাউবা অমদা ময়াম চৰূ থারগা মথক্তা ফক অমমম থারগা পংতূম তূম্নবনি। হৌজিক্তি লৈখিদ্রে কোভিদ মতমদুদা খঙহৌদনা লাইচৎ অদুনা পুবীখিবনি। ঐখোয় পার্টিগী ঈশৈ শকপা 'নবা'। মাগা ঐগা তূম্মী। মাগী কম্বল মচা অমা য়াওই। মাগীদুগা ঐগী হাওফীদুগা লোনশিন্নরগা তূম্বনি। উইরোন উইরোন হৌবদা ঙায়রি, খোঙলোমদা মরেং-মরেং চৎপা হৌরকপদগী খরা লেং ওৎতুনা তৌই। অদুগদি ঐগী খোঙ্গ্রাও মনুংলোমদা খূকউগী অদুৱাইদা অমুক লেং-লেং তৌরকপদা ফুক হৌগৎলগা খোঙদু দং-দং থিন্দুনা করিনো হায়না য়েংবদদি তিনবুম-নাপুম অমা পুব লাউনা তারক্লে। নবনা খোঙউপ্পা পোপ-পোপ থোমদুনা হাৎতোক্লে। মদৈদদি ময়ামদুসু কিনবদি ফাওবজাৎনি। ঐদি লীলাদা হিরো শাই হায়বৈ ৱানি। চেনখৎখিবা মীহুন পাক হন্থৌ য়াদে। কিদুনা অদুম লৈরে। মীনা হায়নবা অমা লৈ- তিনবুম নাপুম্না চিকপসিদি ইমা কৌবা নংদে হায়না। ঐ করিগুম্বা চিকপীরম্বা তারবদি ইমা কৌবা নংদনা খুদক্তা শিরম্লিকো খল্লুবদা চেনখৎখিবা মীহুনদু পাক হন্থরক্তবনি। ঐখোয়না হিপ্পখিবা মফমদুদা চঙশিন্দুনা অমুক হিপথবা ঙমদ্রে। ঈংসু ঈংশিল্লক্লে। মী অতৈদি ফক মথক্তা ফিগা ফজনা থারগা য়েপশিল্লগা তূম্বনিনা থোইদোক্লা মশাদা অকিবা ফাওনদে। ঐখোয়না হিপ্পীদুদি ফি য়াওরক্তবনিনা চৰূ মথক্তুদা ফক মচা অতৎপা অমা থারগা তূম্বনি।

নবদু হৌগৎলগা থোকখ্রে। ঙাইহাক লৈরগা চঙলক্লগা ঐবু লাকও হায়না কৌথোক্লগা শঙ্গোয়দুগী মমাংদা চৰূ পৈবা চৰূ ইকু অমা লৈরম্মী। মানা চৰূ মপুল অমা মনুংদগী শৎ লাউনা শৎলে অদুগা ঐবু চৰূ মপুন্দুনা লৈরম্বা অহোবদুদা চঙশিল্লগা হাওফিদুনা কোক্তু খুমজিল্লগা হিপ্লো হায়না হিপ্লে। অদুগা লৌথোকখিবা চৰূ মপুন্দুনা অমুক ঐগী ইথক্তা ননশিল্লগা কোক মপাদুদং ফাৎলগা লোইনা ফুন্নজিল্লে। মাসু ঐগা থংননা চৰূ মপুন অমা শৎলগা ঐগী অদুম্না হিপ্লে অদুগা মানা চৰূদু মশা মথন্তনা খুমজিল্লগা তূম্মে। ইচিন-থি হায়নি মদুনা লুম্বদুদি হুমাং কাংবজাৎনি। ফজনা লুম্মী। অঙৈংবা অমত্তা ফাওখিদে। মদুই মতুংদদি অদুমাইনা হেক হেক তূম্বা য়াওখি। অদুবু কুইনা তূম্বদি নত্তে। নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌরকপদা মিনি বসকী দ্রাইভরনা হৌদোক্লনি অদুগা ঐখোয় গাড়ী কাখৎতুনা গাড়ীদা উইনরগা তূম্মগা হল্লক্লে। অদুনা ইম্ফাল য়ৌরকপদদি অয়ূক পুং ৫/৬ অদুমাইনা তাই। অদুদগী হেন্না ঙনবসু অদুম য়াওই। লম লাপ্পা নকপগী মখা পোল্লি।

মতম অদুৱাইদু ঐনা সুম নীংশিংজবদা নিংথমথাসি অসুক্কী মতিক ঈংই। লৈচিলদু ফজনা থাই। লীলা শান্নবদা খিক্তং থেংনা হৌবদা লীলা শান্নবদু লৈচিলনা পুংকুপ কুপখিদুনা ফি শেৎফমদগী ময়েক শেংনা উদবফাও য়াওখি। মরু ওইনা লৈচিল থাবগী মতমসি নিঙোল চাক্লৌবা ময়াদগী ফজনা হৌরে। অদুনা লীলা শান্নবদা য়াম্না ঈংই। ঈংঙেদুঙাই, ফি অথাবা ইল্লগা নৎত্রগা ফুরিৎ অথাবা লিৎলগা লীলা থোক্লদে। অদুনা ফুরিৎ অপাবা অমা লিৎলগা খোঙ্গ্রাও মনুংদা নমশিল্লগা পেটি অপাকপা অমা ফারগা লুপা ৫০গা পীবা সনগ্লাস ঙাংলি-ঙাংলি তৌবা অমগা উপ্পগা থোকপদুদি 'ৱাহ' হায়সিনি। কম্বল অথা-অথাবা, ফি অরুম্বা ইল্লগা লীলা য়েংলিবশিংদুনা ঐখোয়না ঈংদি ঈংলগা ঈংদবা শাদুনা থোরকপদা হরাওজরিবনি। ঙাইহাক লৈরগদি ঈংদবা শুম শারম্বদগী ঈংখৎলক্তনা ৱা ঙাঙবদা নিকপা য়াওরকই। অদুসু য়ারিমখৈ মী খঙহন্দনবা কন্না হোৎনৈ। য়াদে থক-থক নিকই।

ঐখোয় লীলা থোক্লিবা মশেল য়েংনরগা ঈংবা খাঙনবদু উবদা নোকই। নোকপা খাঙবদা হেন্না অৱাবা ওইনৈ। কমাইনসু নোকওইদৌরিবনো ৱা হেক ঙাঙবদা চুরুট থকপগী মৈখু কামথোকপদৌনা লৈচিল অঙৌবা মপৈ-মপৈ থোরকই। ৱা ঙাঙবদু তোকওনে। নাতোন্দা শ্বর হোনবদা নুংশিৎ থোরকপদো নাতোন মখুল অনীদগী লৈচিল অঙৌবা মরী-মরী কামথোরক্কদৌরিবনি। মদু উবদদি নোক্লিংবদা লোইবীনি। লীলা হায়সিমক্তবু অৱাবা, নুংঙাইবা লোইনা য়াওগদৌরিবনি। কপ্পগী মতাংসিসু ঐখোয় হিরো শাবসিদি লীলা খুদিংগী অদুম য়াওরবনি। অদুনা ঐ উরে, ঐগা পান্নবদুনা নোক্কনি। ঐনসু ঐগা পান্নবদু উবদা নোক্লীংবনি মসি ভাবোক্লা খঙখ্রবদি লীলাদু ফাগি তারে হায়না শাউরক্কদৌরিবনি। অদুনা খঙহন্দনবদু হোৎনবা অৱাবা অমনি।

লীলা ময়ায়দগী হেক চৎখিবগা মতমদু হাফলেস্প হায়বা অমা ফি শেৎফমদা থাল্লি। মদুদা য়াইরগা ইশা শাগৎনগদৌরিবনি। চঙলকপশিংদু অদুম্মাইনা মৈদু য়াইমিন্নে। কোন্নথংদদি লম্পাক্তগা শান্নগদবা লীলা ওইরবদি ঐখোয়না লৈকায়দুদগী শিং খরা লৈ, অদুগা মৈ থারগা তিক-তিক্তুনা লীলা শান্নরকই। ওম্ভোকপা মঙং অমা হায়বদুনি। হৌজিক্তি মদুগী নুংঙাইবদু লৈরকখিগদ্রা খঙদে।

য়াম নোক্লিংবা অমনা 'কলিগী কৃষ্ণ' হায়বা লীলা অমা ঐখোয়না শান্নখি। লীলাদু মমিং য়াম্না চৎখি। ঐনা কৃষ্ণ শাই। ঐগীবুদি ফৈজোম অমা অদুগা রেসম ফুরিৎ খুদাং য়াওদবী অমা লিৎলি। ঐগীবুদি খরা ফরে। হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা ধনবীরনা মহাদেব শাই। মহাদেবগীদি খূকউ মথক্তা শেৎপা মহাদেবগী মরাং মরাংবা ফি মতৎ অমদগী হেন্না মশাদা ফি থোংদে। মঙক্তা রব্বরনা শাবা লিন অমা য়েৎলে। মশা অতৈদুনা পাউদর তৈরগা ফুৱাওনহল্লে। খুজাই অমা, ত্রিশুল অমা পায়রগা থোরকপনি। নিংথমথাদদি কুম্মৈ অমা তারে। খ্বাইদগী ঈংবা মফম অমা লৈ পুখাওদা। মদুদা লীলাদু শান্নবদদি মা ঈংমন্দনা ৱাম্থগে তৌবনি। ঐখোয়না মা হেক হঞ্জিল্লকপদা শাহন্নবা ফি পায়রগা ঙাইদুনা লৈ। মৈ থাগৎতুনা মশাদু শাহন্নবা হোৎনৈ। মচিনগা মুশিন হেক মুখৈ লীলা শান্নবনি। নীংথমথাসিদি মসিগী লীলাসি চেবাউ লৌবীগনু হায়না ঙাঙনৈ। মীনা পামদুনা কৌবা লাক্লীবনিনা অদুসু হেক ফংবা নত্তে। অদুনা ঐখোয় মশেল মরক্তা মরৈ য়েৎনদনা তৌরিপোৎনি। অনৌবা লীলা অমা পুথোক্লবা ঐখোয় কন্না হোৎনখি। মদুগী মতুংদনি ঐখোয়না 'কংখ্রবা ঈচেলগী তোর্ব্বান' হায়বা লীলা অমা পুথোক্তুনা শান্নখিবদো। লীলাদুসু য়াম্না মমিং চৎখিবা লীলা অমা ওইখি। মদুদা য়াওখিবা ঈশৈশিংদুসু ময়াম্না য়াম্না পাম্না তানখি। হৌজিকসু ঈশৈশিংদু অদুম তানরি। "ফোঙদোক্তবা নুংশিবা, কয়াম কুইনা থমখিনি, ওমচাক্লনা থম্মোয়নুং, নুংশি মৈশা লাংখিনি" "মসিগীদমক্লা হো নুংশিরবা" হায়বা ঈশৈশিং ময়াম্না ঙসি ফাওবা পাম্নরি।

ইশেং শেংনা হায়রবদা নীংথমথাদা লীলা শান্নবসিদি অৱাবগী মশক্লি। ঈংমন্দনা লীলাগা শান্নফম খঙবা নত্তে। অদুবু ঐখোয়বু নুংশিবীবনা ময়াম্না হরাও হরাওনা অদুম নুংশিনা য়েংবীখি। ঐখোয়বু য়োকখৎপীখি। নীংশিংলুরগা মীয়াম পূম্নমক্কী লমন তোংনশিঞ্জরে হায়জবসি নত্তনা করিসু তৌবা ঙমজদে। ●

# ইশাগী ইঙ্খোলদা ইশাগী য়ূম্নাক পনবা য়ারক্ত্রদি

পূন্সিগী ঈচেলদা - ১২২
**ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার**

হন্দক্তা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবা দি আই পি আরগী বস অমা উখ্রুলদা পাঙথোকপা ৫শুবা শিরুই ফেষ্টিবেলগী পাউ লৌনবা চৎপদা গ্বালতাবীদা সেন্ত্রেল ফোর্স - মহার রেজিমেন্টনা বসকী মমাঙদা 'মণিপুর' হায়বা ৱাহৈ থাই, চৎপা য়ারোই হায়না থিংখিবদু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়াম্না উশিক্তবা থৌওংনি। অদুম ওইনমক থৌওংদুদা ঐখোয়গী পাউমীশিংনা অহানবা হৌদোকপা শিরুই লিলী ফেষ্টিবেলগী পাউ লৌদনা হল্লকখিবা অচুম্বা খোঙথাং অমনি হায়না থমজগে। অসিগুম্বা মখোয়গী অমদি ষ্টেট অসিগী রাইটশিং মুল্লকপদা মখোয়গী ৱাখল্লোন অমদি মরিংজেল অদুগীদমক্তি য়াম্না থাগৎনীংঙাইনি।

মতৌ অসুম্না, করিগুম্বা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিংনা দেল্লীদা চৎতুনা পি এম মোদি উনবনি খঙদে, অমিট শাহ উনবনি খঙদে চৎপা মতমদা ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা সেন্ত্রেল লৈঙাক্লা হায়রিদো ঐখোয়গী মীয়াম্না য়ারোই, ঐখোয় ষ্টেটতা অশোয়বা য়াম্না লাক্কনি হায়দুনা হল্লকপা ঙল্লম্লবদি ঙসি ইরমদম্না ফংলিবা চৈথেংশিংসে ফংলল্লোই। অদুবু লাইবক থীবদি, মখোয়না অমিট শাহনা হায়রিখৈ, সেন্টর লৈঙাক্লা হায়রিখৈ জি-জি হায়না লাকখিবনা ঙসি সেন্টরনসু নখোয়বু তীল-কাঙগুম লৌবীরে।




অসুম্না সুম লাকখিবগী হৈনবী লৈখিবনা এক্স-সী এম বিরেনসু অমিট শাহনা চীংগী শরুক্লা মানা য়েংলগে, তমগী শরুক্লা নহাক্লা য়েংলো হায়রকপদা হরাও-হরাও লাক্তুনা বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতা দেল্লীদগী অমিট শাহ উনরুরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা নুমিৎতুদগী খ্বাইদগী চাউবা অশোয়বা অমা তৌখ্রবনি। মতমদুদা সী এম বরেননা ইহে সিদি অফবা ওইরোই হায়রগা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা হল্লকপা ওইরম্লবদি ঙসিগী ফীভমসি ওইরল্লোই খল্লি। অসুম্না হরাও-হরাও থোরকখিবা মতুংদগীদি তোঙান তোঙানবা বফর জোন থমদুনা তোখায়-তোখায়, নাকপাক-নাকপাক তাহনখিবদুনা ঙসি চহী অনী হেল্লবসিফাওবা অমনা অমগী মফমদা চঙবা ঙম্নদ্রি। মসিদা থোক্লবা হোৎনরিবা সেন্ত্রেল লৈঙাক্তি হরাওরে, নুংঙাইরে অদুগা কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিংসু হরাওজরে। অদুদগী অমুক হন্দক্তা সী এম বিরেনবু রিজাইন তৌহল্লে অদুগা পি আর থমজিল্লে। পি আর থমজিনখিবা নুমিৎতুদগী লেপত্রি ঙসি ফাওবদা তম্পাক্কী লালহৌবশিং ফাগৎপা। অদুগা নাকল অমরোমদনা, কুকি-জোশিংগী অপাম্বদু থুংহল্লে সী এম বিরেনবু লৌথোক্তুনা অমদি পি আর থমজিন্দুনা। অদুগা কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিংদি ফাগৎপগী মহুক্তা মীয়ামগী মীটিংদফাও অফবা খূৎলায় পায়দুনা চৎপদা সেন্টরনা নোকফেৎ তৌরগা য়েংদুনা লৈরি। মখোয়দি ফ্রীদা থাদোক্তুনা থল্লি।

সেন্টরনা ফ্রী মুভমেন্ট লৈহনগনি হায়রকপদুসু নোংমখক খরা তৌশিন্নরম্লগা তূমিন্না অদুম লৈশিনখ্রে। ঐখোয় মীতৈ/মৈতৈদি অমত্তা কুকি-জো কাঙলূপ্পা তাশিনবা লমশিংদা ফাওদুনা চৎপা ঙমদ্রি ঙসিসু। সেন্ত্রেল লৈঙাক্লা মসিদা পেন্দদুনা শিরুই লিলী ফেষ্টিবেলগী পাউ লৌরুনবা চৎপদা মখোয়না তোংলিবা বস অদু ফাওবা 'মণিপুর' থাই হায়দুনা চৎহন্দ্রে। সিদবু লোইদ্রিবো। ইশাগী ইরমদমদা ইরমদমগী মিং ফাওবা থাদুনা চৎপা য়ারক্ত্রদি কয়াদা শাথীখ্রবা ফীভমনো ঙসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঐখোয়দা ওৎলিবসি।

মতম অমদা ইনীং-ইখা তম্না হিংলম্বা ঐখোয়বু বৃটিশনা হেক নীংখা তম্না থল্লম্বা মতুং ইন্দিয়ানা ঐখোয়বু নম্ফু-শাফুদা ইন্দিয়াদা তিলহন্দুনা ইকায়বা কয়ারক পীদুনা অমদি ওৎতুনা লাক্লি ঙসি ফাওবা। ঐখোয়বু খম থেংনা ৱাহন্দুনা মখোয়দগী নি-নিদুনা হিংনবা থৌওং কয়া পায়খৎলক্লি।

ইন্দিয়াগী ফোরেন পোলিসিগী মতুংইন্না বি জে পি লৈঙাক্লা পাল্লকপদা লূক ইষ্ট অমদি এক্ট ইষ্ট পোলিসিশিং থল্লকপদা নুংঙাইবা ফাওজখি মমৈথংদা ঐখোয়সি খরদি চাওখৎপা ঙল্লনি খঞ্জদুনা। অদুবু ইন্দিয়াগী লূক ইষ্ট অমদি এক্ট ইষ্ট পোলিসি অনীমক ইন্দিয়াগী কান্নবখক্কী খন্দুনা শেম্বা ওইরল্লে। ইন্দিয়াগী কান্ননবা হোৎনবদা ঐখোয় ইরমদম মণিপুরদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংদি বল্লিগী হামেং ওইনা কখোক্লল্লে। ইন্দিয়াগী অসিগুম্বা ঐখোয়বু মীনাই ওইনা নমথদুনা থম্নবগী থৌওং অসি লৈবগীনি নোংমা নীনিদা লোইশিনবা য়াবা কুকি-জো কাঙলূপ অমদি মীতৈ/মৈতৈ অনীগী মরক্তা থোক্লিবা লান অসি লোইশিন্দনা থল্লক্লিবা চহী অনী হেল্লবসু।

মসিদা পেন্দ্রদুনা ইশাগী ইরমদমগী 'মণিপুর' থাবা বস অমত্তা তম্পাক্তগী হেন্দোকপা ঙমহন্দ্রে কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিংনা অথিংবা থম্বদগী। অদুগা হৌজিক্লা সেন্ত্রেল লৈঙাকসু য়াওশিল্লক্তুনা মতেং পাংশিল্লে কুকি-জো নার্কো টেররিষ্টশিং অসিদা। মণিপুর লৈঙাক্লা অচঙবা পুথোক্তুনা শিনখিবা শিরুই লিলী ফেষ্টিবেলদা মণিপুর ষ্টেটকী ওফিশল ওইনা থারিবা বস ফাওবা 'মণিপুর' থাই হায়দুনা থিংলক্লবদি ঐখোয় কদাইদা লৈরিগে হায়বসি য়াম্না লূম্না লৌফম থোকই।

অসিগুম্বা ফীভম অসি য়ৌরবা ফাওবদা ঐখোয়গী লৈঙাক পায়রিবা এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিংনা ৱাহৈ অমা ফাওবা পুখৎপা ঙমদে সেন্ত্রেল লৈঙাক্কী মায়োক্তা। কয়াদা তোনখ্রবা জীবনো (ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মী ওইনা খল্লিবজাৎলা মখোয়সিবো?) ঐখোয়গী লুচিংবশিংসে। অসিগুম্বা শেংদবা লুচিংবশিং অসিনা লৈঙাক্লগা লমদম অসি করম্না নীংখা তম্না হিংবা ঙমগদৌরিবা, ঙল্লোই। ঙসি পাল্লিবা ইরমদমগী লুচিংবশিংনা সেন্ত্রেল লৈঙাক্লা অসুক তোন্না তৌবিরবা অমদি ওৎপীরবা অসি ফালবদা সেন্ত্রেল লৈঙাক্কী মায়োক্তদি ৱাহৈ অমা ফাওবা পুখৎপা ঙমদে অদুগা ৱাজাও ঙাঙলি, চোইরোল লোল্লি মরমদমগী ওপোজিশনদা খরা তাইনা, মীচম মীয়ামদা ৱাখল তাদে হায়না খরা মরাল শী।

হৌজিক্লা সী এস ওশিংদা অমুক ওনশিল্লক্লে মখোয়না মথৌ তৌবা ঙমদ্রে, মীকিথি ওইরে, মীতম্বাল ওইরে হায়জবগী মহুক্তা সী এস ওশিংনা পুনশিনবা ঙল্লবদি মখোয়সু পুনশিনবা ঙমগনি কায়না। মতাংসিদা লুচিংবশিং অসিনা কাউরোইদবা ৱাফমদি সী এস ওশিং অসি মীয়াম্না ইলেক্সন তৌদুনা লুচিংবশিং নখোয়বু লমজিং-লমতাক্লবা নখোয়গী রোল মোদেল ওইনবা থাগৎখিবসু নত্তে অদুগা তোলোপ পীদুনা থবক তৌবসু নত্তে হায়বসি। মপী মপা ওইনা পূনশিন্দুনা অমদি অথুবা মতমদা লৈঙাক শেমদুনা সী এস ওশিংগী অমদি মীয়ামগী রোল মোদেল ওইনা লৈগদবা নখোয়না সী এস ওশিংগী মতুং ইল্লগে হায়রক্লদি নখোয়না তোলোপ চাদুনা এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিং ওইদুনা লৈরুবগী করিবু মথৌ তারিগে। সী এস ওশিংগী মতুং ইনগে হায়রদি রিজাইন তৌরো নখোয় নখোয়গী ফমদগী, এম এল এ, মিনিষ্টর ওইবদগী।

লুচিংবা ওইনা লৈনীংলগনা থোরক্লো অমদি মীয়াম্না হৌরিবা ঈহৌসিদা নখোয়সু শরুক য়ারুল্লাও, ৱাজাও ঙাঙদুনা লৈবগী মহুক্তা। নখোয়না এম এল এ ওইরিবা, মিনিষ্টর ওইরিবসি মীয়ামগী অপাম্বদো পাঙথোক্লুবনি, লমদম অসিবু মাঙদা পুশিন্নবনি, নখোয় নখোয়গী ইমুং-মনুংগী শেঙ্গাও থন্নবা নত্তে হায়বসি নীংশিংবীয়ু। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।